# ফৌদেন য়ুঠ ক্লব ফৌদেননা তরেৎশুবা পি ৱাই সি ফৌদেন কপকী চেম্পিয়ন ওইখ্রে



ইম্ফাল,জুলাই ০১ (এস এন এস) ঃ ফৌদেন য়ুঠ ক্লবনা শীন্দুনা চহি অসিগী এপ্রিল ৭ তগী টিম ১২ না গ্রুপ ৪ থোক্লা খাইদোক্তুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দা চত্থরকপা ৭ শুবা ষ্টেট লেভেল ৭ এ সাইদ পি ৱাই সি ফৌদেন কপ ২০১৯গী চেম্পিয়ন ফৌদেন য়ুঠ ক্লব ( পি ৱাই সি) ফৌদেননা ওইখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অরোয়বা মেটচ ওইনা পি ৱাই সি ফৌদেন অমদি ও এফ এ পূঙদোংবমনা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অসিদা পি ৱাই সি ফৌদেননা ও এফ এ পূঙদোংবমবু গোল ৫–৩ দা মায়থিবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখিবনি।

মেটচ অসিদা মায় পাক্লবা পি ৱাই সি ফৌদেনগী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা গোল ৪ অমদি অনীশুবা হাল্ফতা গোল ১ চন্দুনা পুন্না গোল ৫ চনখি। মায়থিরবা ও এফ এ পূঙদোংবমগী গোলশিং অদুনা অহানবা হাল্ফতা গোল ২ অদুগা অনীশুবা হাল্ফতা গোল ১ চনখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি হৌরকপদগী পি ৱাই সি ফৌদেননা বোল হেনা পায়রগা শানদুনা ও এফ এ পূঙদোংবমবু লাকশিন্দুনা লেপ্পা লৈত্তনা এটেক চত্থদুনা প্রেসর পীশিনখি।

মেটচকী মিনট ৭ চৎপদা পি ৱাই সি ফৌদেনগী জর্সি নম্বর ১১ এম দি সহিদুরননা গোল একাউন্ট হাঙদুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি। টিম অসিনা অহানবা হাল্ফকী লেমহৌরিবা মিনটশিংদসু অহেনবা গোল হাপচিলক্লবা হোৎন্দুনা ও এফ এ পূঙদোংবমগী দিফেন্দরশিংবু কয়ারক হন্না মীপায়বা পোকহনখি।

টিম অসিগী অনীশুবা গোল অদু জর্সি নম্বর ৭ আকবরনা মিনট ১৯ চৎপদা চন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাখ্রবা মতুংগী মিনট ৪ কান্নরগা মিনট ২৩ দা আকবরনা মহাক্কীনা অনীশুবা অমদি টিমগীনা অহুমশুবা গোল অদু চন্দুনা ৩–০ দা মাঙজিল থাখি।

ও এফ এ পূঙদোংবমনা থংনবা মিনটতা পি ৱাই সিবু শীংন্নরক্তুনা পূঙদোংবমগী জর্সি নম্বর ৭ তেলহৈবনা মিনট ২৪ চৎপদা গোল হন্দোক্তুনা ৩–১ দা লৈখি।

অদুবু পি ৱাই সি ফৌদেনগী জর্সি নম্বর ১১ সহিদুরনা মিনট ২৫ চৎপদা টিমগী মরিশুবা গোল অদু চন্দুনা ৪–১ দা মাঙজিল থাখি।

অহানবা হাল্ফ অসিগী অপীবা মিনট লোয়দুনা অহাপ্পা মিনট ২ দা গোলা শোত্থরিবা ও এফ এ পূঙদোংবমগী জর্সি নম্বর ৮ বিশেশ্বরনা গোল অমগা হন্দোক্লগা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা ৪–২ দা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফকী হেক হৌরকপা মিনট ৩০ চৎপদা পি ৱাই সি ফৌদেনগী জর্সি নম্বর ৭ আকবরনা মহাক্কী হেদট্রিক্ট গোল ওইনা টিমগী ৫ শুবা গোল অদু চন্দুনা ৫–২ দা মাঙজিল থাদুনা মায় পাকপগী লম্বী নকশিনখি।

মেটচ অসিগী লেমহৌরিবা মিনটশিংদা ও এফ এ পূঙদোংবমনা শোত্থরিবা গোলশিং অদু হন্দোক্লবা হোৎন্দুনা শান্নরগা মেটচকী অপীবা মিনট লোয়রমদাই ৪৮ চৎপদা জর্সি নম্বর ৮ বিশেশ্বরনা গোল অমগা হন্দোক্তুনা ৫–৩ দা লৈখ্রবসু মেটচ অসি মায়থিবা নংদুনা রন্নস অৈপ তাহৌখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা পি ৱাই সি ফৌদেনগী থোমাসতা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফরিনা ফাওল শান্নবগীদমক য়েলো কাদ বুক তৌখি।

টুর্নমেন্ট অসিগী তোপ স্কোলরনা পি ৱাই সি ফৌদেনগী গোল ৯ চনখিবা জর্সি নম্বর ১১ এম দি সহিদুরনা তাখি, বেষ্ট গোল কিপ্পরনা ও এফ এ পূঙদোংবমগী থোয়বনা তাখি , বেষ্ট প্লেয়রনা পি ৱাই সি ফৌদেনগী প্রিকান্তদনা তাখি অমসুং টুর্নামেন্ট অসিগী বেষ্ট প্লেয়র ওফ দি ফাইনেল মেটচসু পি ৱাই সি ফৌদেনগী জর্সি নম্বর ৭ এম দি আকবরনা তাখি।

টুর্নামেন্ট অসি লোয়শিনবগী থৌরমদা ৱাঙ্খেম কেন্দ্রগী এম এল এ কে মেঘচন্দ্রা, সোসিয়েল ৱাকর এম দি সেরাজুদিন, শাপম গ্রাম পাঞ্চয়দগী প্রধান এস রামেশ্বর সিংহ, য়াইরিপোক ম্যুনিসিপল কাউন্সিলগী কাউন্সিল্লর এ কে রোমেস সিংহ, সোসিয়েল ৱাকর অলহাস মুহামদ গ্রাফর, সোসিয়েল ৱাকর মোহামদ অল্লি অমদি মোহামদ অলাওদ্দিননা মথংশীৎনা চীফ গেষ্ট, পত্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইনা শরুক য়াদুনা মকোক মথং তাখ্রবাশিংদা মনা মথুম পীদুনা পূক্লিং থৌগৎখি।

# অহানবা ঙাঙোম রঞ্জন নীংশিং ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ৱিন্নর য়ং বোইজ (এ) পূখাওনা ওইখ্রে



ইম্ফাল,জুলাই ০১ (এস এন এস) ঃ য়ং বোইজ পূখাওনা শীন্দুনা মমাঙ থাগী ৯ দগী টিম ২৮ না গ্রুপ–৮ থোক্লা খাইদোক্তুনা চত্থরিবা অহানবা ঙাঙোম রঞ্জন মেমোরিয়েল মেন্স ওপন সভেন এসাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ৱিন্নর য়ং বোইজ (এ) পূখাওনা ওইখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অরোয়বা মেটচ ওইনা য়ং বোইজ (এ) পূখাও অমদি এফ সি লম্লাইনা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অসিদা য়ং বোইজ (এ) পূখাওনা এফ সি লম্লাইবু কিক ফ্রোম পেনালটি মাকতা গোল ৫–৩ দা মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নর ওইখিবনি।

শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অসি হৌরকপদগী য়ং বোইজ (এ) পূখাওনা অচেৎপা থজবা অমগা লোয়ননা শান্নরক্তুনা এফ সি লম্লাইবু লাকশিন্দুনা গোল একাউন্ট হাঙনবা হোৎন্দুনা লেপ্পা লৈত্তনা এটেক চত্থদুনা প্রেসর পীশিনখি।

মেটচকী মিনট ১৫ চৎপদা য়ং বোইজ (এ) পূখাওগী জর্সি নম্বর ১০ ঐচ প্রিয়োনা এফ সি লম্লাইগী গোল কিপ্পরবু মায়থিবা পীদুনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ১–০ দা মঙজিল থাখি।

গোল শোত্থরিবা এফ সি লম্লাইনা শোত্থরিবা গোল অদু হন্দোকপা য়াবা তঙ্গা কয়া ফংখ্রবসু মেটচকী পুংখ্বায় ফাওবদি গোল হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

অদুবু মেটচকী মিনট ৩৩ চৎপদা গোল শোত্থরিবা এফ সি লম্লাইগী জর্সি নম্বর ৯ সনাথোইনা য়ং বোইজ (এ) পূখাও গী দিফেন্দরশিংগী অহোবগী তঞ্জাদা পঞ্জল মান্নবগী গোল অদু চন্দুনা ১–১ দা মান্না লৈন্নখি।

মেটচকী মিনট লোয়রমদাইশিংদা টিম অনীনা লম্বা মান্নরক্তুনা অহেনবা গোল হাপচিন্নবা হোৎন্দুনা হেনা মাগী মাগী এটেক্কীং এরিয়াশিংদা এটেক চত্থন্নদুনা প্রেসর পীশিন্নখি।

অদুবু টিমশিংগী দিফেন্দরশিংনা মশক থোকপা প্রফোমেন্স পীদুনা ওফেন্সিপ শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেকশিংদু অরেম্বা তাহন্দুনা অহেনবা গোল হাপচিহনদনা লৈবদগী অপীবা মিনট লোয়রা ফাওবদা গোল ১–১ দা মান্না অদুমক লৈবদগী ফাইনেল মেটচ অসিগী ৱিন্নর দিসাইদ তোনবা কিক ফ্রোম পেনালটি মাক কাওন্নবা তাখি।

কিক ফ্রোম পেনালটি মাক কাওন্নবদা য়ং বোইজ (এ) পূখাওনা গোল ৪ অদুগ্া এফ সি লম্লাইনা গোল ২ খক ওন্থোক্তুনা মেটচ অসি মায়থিবা নংহৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নর ওইখ্রবা য়ং বোইজ (এ) পূখাওদা লুপা লিশিং ৪০,০০০গা লোয়ননা ট্রোফি অমদি রন্নস অপ তাখক্রবা এফ সি লম্লাইদা লুপা লিশিং ৩০,০০০ গা লোয়ননা ট্রোফি ফংখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী বেষ্ট প্লেয়রনা ৱিন্নর ওইখ্রবা য়ং বোইজ (এ) পূখাওগী জর্সি নম্বর ১০ ঐচ প্রিয়োনা তাদুনা লুপা লিশিং ৪০০০গা লোয়ননা ট্রোফি ফংখি। বেষ্ট দিফেন্দরনা রন্নস অপ তাখ্রবা এফ সি লম্লাইগী জর্সি নম্বর ৬ কবিরাজনা তাদুনা লুপা লিশিং ৪০০০ গা লোয়ননা ট্রোফি ফংখি।

বেষ্ট গোল কিপ্পরনা ৱিন্নর ওইখ্রবা য়ং বোইজ (এ) পূখাওগী টি জয়সনা তাদুনা লুপা লিশিং ৪০০০ গা লোয়ননা ট্রোফি ফংখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী তোপ স্কোলরনা রন্নস অপ তাখ্রবা এফ সি লম্লাইগী অবোইনদা তাদুনা লুপা লিশিং ৪০০০ গা লোয়ননা ট্রোফি ফংখি।

টুর্নামেন্ট অসি লোয়শিনবগী থৌরমদা য়াসকী ডাইরেক্টর আমষ্ট্রোং পামৈ, মকেং দোলাই থৱীগী জিলা পারিষ্কদ নিং থৌখোংজম সনাতোম্বা, পূখাও গ্রাম পাঞ্চয়দকী প্রধান চান্দম ইনাও অমদি য়ং বোইজ পূখাওগী প্রসিদেন্ট নোংমৈকাপম ইতোচা মৈতৈনা মথংশীৎনা চীফ গেষ্ট, পত্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইনা শরুক য়াদুনা মকোক মথং তাখ্রবাশিংদা মনা মথুম পীদুনা পূক্লিং থৌগৎখি।

# অহানবা নেসনেল ৱুমেন মাষ্টর এঠলেটিক চেম্পিয়ন্সিপতা মণিপুরনা গোল্ড মেদল ১২ য়াওনা পূন্না মেদল ২৫ লৌরকখ্রে



ইম্ফাল,জুলাই ০১ (এস এন এস) ঃ মাষ্টর এঠলেটিক ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা গোৱা মাষ্টর এঠলেটিক এসোসিয়েসননা শীন্দুনা জুন ২৯ দগী ৩০ ফাওবা গোৱাগী বমবোলিন এঠলেটিক ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখিবা অহানবা নেসনেল ৱুমেন মাষ্টর এঠলেটিক চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯ দা মণিপুরনা গোল্ড মেদল ১২ , সিলভর মেদল ৮ অমদি ব্রোঞ্জ মেদল ৫ পূন্না মেদল ২৫ লৌরকখ্রে।

পাঙথোকখিবা চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা গোল্ড মেদল লৌরকখ্রবা এঠলেটশিং অদুদি চহি ৪০ মথক্কী ৫ কিমিদা অথোকপম রোজিনা ৩৮ঃ২৪ঃ৮তা গোল্ড মেদল, চহি ৫০ মথক্কী জেবলিন থ্রোদা ঐচ ইন দুবলা দেবীনা গোল্ড মেদল, চহি ৫৫ মথক্কী ২০০ মিটর লমজেলদা থোঙাম মেমিচানা গোল্ড মেদল, চহি ৬৫ মথক্কী লোঙজম,হায়জম অমদি ১০০ মিটর লমজেলদা কোঙব্রাইলাকপম শ্যামা দেবীনা গোল্ড মেদল, চহি ৭০ মথক্কী ৪০০ মিটর অমদি ১৫০০ মিটর লমজেলদা থৌনাওজম একাশিনিনা গোল্ড মেদল, চহি ৬০ মথক্কী লোঙজমদা বিমোলানা গোল্ড মেদল, চহি ৮০ মথক্কী জেবলিন থ্রোদা মঙ্গোলনা গোল্ড মেদল, চহি ৪৫ মথক্কী হেমর থ্রোদা লন্দোনি দেবীনা গোল্ড মেদল অমদি চহি ৭৫ মথক্কী লোঙজমদা এস সুনিতানি।

সিলভর মেদল লৌরকখ্রবা এঠলেটশিং অদুদি– চহি ৫৫ মথক্কী ১০০ মিটর লমজেলদা থোঙাম মেমচা ১৬.৫ সেকেন্দ, চহি ৫৫ মথক্কী ৮০ মিটর হার্দসতা ফুরাইলাকপম পূনিমাশিনা ২৪.৭ সেকেন্দ, চহি ৫০ মথক্কী সোট পুটতা ঐচ ইন্দুবলানা মিটর ৮.৪৫, চহি ৬০ মথক্কী ৪০০ মিটর লমজেলদা সি ঐচ থম্বালনা ১ঃ৪০.৫, চহি ৭৫ মথক্কী লোঙজমদা এল প্রামোদিনি দেবীনা ১.৮২ মিটর, চহি ৬০ মথক্কী ১০০ মিটর লমজেলদা ঐচ বিমোলা দেবীনা ১৮.৭ সেকেন্দ, চহি ৬৫ মথক্কী জেবলিন থ্রোদা লাইকাঙবম ইনাওবীনা ১৫.৯১ মিটর লংদুনা অমদি চহি ৬০ মথক্কী ১৫০০ মিটর লমজেলদা সি ঐচ থম্বালনা ৮ঃ৩২.৪ চেন্দনা সিলভর মেদল ফংখি।

ব্রোঞ্জ মেদল লৌরকখ্রবা এঠলেটশিং অদুদি– চহি ৫৫ মথক্কী ৪০০ মিটর লমজেলদা ফুরাইলাকপম পূনিমশি দেবী, চহি ৫৫ মথক্কী ৫ কিমি ৱাক্কিংদা পাওনম মনি দেবী, চহি ৬০ মথক্কী ২০০ মিটর লমজেলদা এন জি ঙানবী দেবী, চহি ৬৫ মথক্কী জেবলিন থ্রোদা ৱাইখোম থাবল্লৈ দেবী অমদি চহি ৬৫ মথক্কী হেমর থ্রোদা লাইকাঙবম ইনাওবী দেবীনি।

# তরানিথোইশুবা য়োলো কপতা লৌশাঙখোং মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল,জুলাই ০১ (এস এন এস) ঃ য়ং লর্নর্স লাইব্রেরি এন্দ লীদিং ওর্গনাইজেসন ( য়োলো) কৈবীনা শীন্দুনা মমাঙ থা ২৯ দগী টিম ২৭না গ্রুপ–৮ থোক্লা খায়দোক্তুনা কৈবী প্রাইমরী স্কুল গ্রাউন্দ কৈবীদা চত্থরিবা ১২ শুবা য়োলো কপ অন্দর ১৫ বোইজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা লৌশাঙখোং, য়ং বোইজ পূখাও, ক্রেজি বোইজ অমদি ও এফ এ পূঙদোংবম মায় পাকখ্রে।

ঙসি অহানবা গ্রাউন্দা শান্নখিবা মেটচতা লৌশাঙখোংনা এস দি সি টাইগর কেম্পপু গোল ৫–০ দা মায়থিবা পীখি। গোলশিং অদু রোবর্টনা মিনট ১৪, ১৬,২৭, ৩২ দা গোল ৪ অমদি নরেসনা মিনট ১৫ দা চনখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দনা য়ং বোইজ পূখাওনা চনুং এফ সিবু গোল ৫–২ দা মায়থিবা পীখি। পূখাওগী গোলশিং অদু জেমসন, উমাকান্তনা গোল ২ /২ অমদি ধিজেননা গোল ১ চনখি।

অহুমশুবা গ্রাউন্দা ক্রেজি বোইজ য়ুম্নাম খুনৌনা ৱাই এ সি কৈবী কুমুদাবু গোল ৩– ১ দা মায়থিবা পীখি। ক্রেজি বোইজকী গোলশিং অদু অজিৎ, মনোস অমদি সিংহজিৎনা চনখি।

ঙসিগী মরিশুবা গ্রাউন্দা শান্নখিবদনা ও এফ এ পূঙদোংবমনা উয়ুম্পোক এফ সিবু গোল ৩–২ দা মায়থিবা পীখি। ও এফ এ পূঙদোংবমগী গোলশিং অদু পরাস, রবিনাস অমদি ৱিন্সননা চনখি।

মেটচ অসিদা পূঙদোংবমগী জর্সি নম্বর ৪ রবিনসা অমদি উয়ুম্পোক এফ সিগী জর্সি নম্বর ১১ বিনলান্দেদা রেদ কাদ বুক তৌখি।

৫শুবা গ্রাউন্দ শান্নখিবদা দেবেন এফ সি অমদি পি ৱাই পি সি পূঙদোংবম গোল ১–১ দা দ্রো চৎত্তুনা পোইন্ট য়েন্নখ্রে। দেবেন এফ সিগী গোল অদু লনচেনবনা মিনট ৭ তা চনখি। অদুগা পি ৱাই পি সিগী গোল অদুনা ধনঞ্জোয়না মিনট ৩৭ দা চনখি।

৬শুবা গ্রাউন্দা শান্নখিবা মেটচতা এম এফ সি পাৎলৌ অমদি ৱাইখোং জুনিয়র গোল চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে।

# কাপম কপতা চুম্বাং এফ সি অমদি উনাপল মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল,জুলাই ০১ (এস এন এস) ঃ কাপম দিভলমেন্ট ক্লবনা শীন্দুনা মমাঙ থাগী ২০ দগী কাপম দিভলমেন্ট গ্রাউন্দ কাপম ভিলেজতা চত্থরিবা ৩শুবা কাপম কপ ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা চুম্বাং এফ সি অমদি উনাপল মায় পাক্তুনা মথংগী রাউন্দ চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১৮ শুবা মেটচ ওইনা ঙসি অহানবা গ্রাউন্দা চুম্বাং এফ সি অমদি চেঙ্খু এফ সি না শান্নখিবা মেটচতা চুম্বাং এফ সিনা চেঙ্খু এফ সিবু গোল ৪–০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা চুম্বাং এফ সিগী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা গোল ১ অমদি অনীশুবা হাল্ফতা গোল ৩ চনখি।

অহানবা হাল্ফতা চনখিবা গোল অদু জর্সি নম্বর ৮ রোনা হমারনা মিনট ৩৯ দা চনখি। অনীশুবা হাল্ফতা চনখিবা গোলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ১৭ মালরেংনা মিনট ৭৪ অমদি অহাপ্পা মিনট ১দা গোল ২ অতোপ্পা গোল ১ দুনা জর্সি নম্বর ১১ ৱিনক্লিনা মিনট ৭৮ চৎপদা চনখি। মেটচ অসিদা চেঙ্খু এফ সিগী জর্সি নম্বর ১৫ বিমোসন অমদি চুম্বাং এফ সিগী জর্সি নম্বর ২৩ সোমোকান্তদা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফরিনা য়েলো কাদ বুক তৌখি।

১৯ শুবা মেটচ ওইনা ঙসি অনীশুবা গ্রাউন্দা উনাপল অমদি পকান য়ুনাইটেদনা শান্নখিবা মেটচতা উনাপলনা পকানবু কিক ফ্রোম পেনলটি মাকতা গোল ৫–২ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা উনাপলগী অপীবা মিনটতা চনকিবা গোল অদু জর্সি নম্বর ১৩ দলুংনা মিনট ২৩ চৎপদা চনখি। পেনালটিদা চনখিবা গোলশিং অদুনা অবোই, ইমিন হাও, লুঙুন হাও অমদি সোলোমোননা চনখি।

মায়থিরবা পকান য়ুনাইটেদকী অপীবা মিনটতা চনখিবা গোল অদুনা জর্সি নম্বর ১২ সনানা মিনট ৭২ চৎপদা চনখি। পেনালটিতা চনখিবা গোল অদুনা কাগালিননা চনখি। মেটচ অসিদা পকানগী কাগলিন অমদি উনাপলগী হাওদা য়েলো কাদ বুক তৌখি।

# মাপলশুবা নেসনেল ভোভিনাম চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯দা মণিপুরগী শান্নরোই ৩৮ না শরুক য়ারি



ইম্ফাল,জুলাই ০১ (এস এন এস) ঃ ভোভিনাম এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা অসাম ভোভিনাম এসোসিয়েসননা শীন্দুনা ঙসিদগী হৌরগা থা অসিগী ৫ ফাওবা ভুগেৱারি ফুকানানি ইন্দোর ষ্টেদিয়ম, দিসপুর সুপর মার্কেট গুৱাহাটিদা পাঙথোক্ক দৌরিবা ৯ শুবা নেসনেল ভোভিনাম চেম্পিয়ন্সিপতা মণিপুরগী ভোভিনাম টিমগী শান্নরোই ৩৮ অমদি ওফিসিয়েল ৩ পূন্না মীওই ৪১ না চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা শরুক য়ারি।

মণিপুরগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়ারিবা শান্নরোইশিং অদুদি সব জুনিয়র গার্লসতা কেজি ২৮ তা বি নিশিতা দেবী, কেজি ৩২দা এল মেরিনা চনু, কেজি ৩৬ তা বিদিয়ারনি ৱাহেংবম, কেজি ৪০ দা এম লিয়ান্দা দেবী, কেজি ৪৬ তা নিরুতা থৌদাম, কেজি ৪৬ মথক্তা মলকা মহাতাপ অমদি কে লনচেনবী চনুনি।

জুনিয়র বোইজ কেজি ৪২ দা টি হোমেশ্বর সিংহ, কেজি ৪৬ তা এস ব্রিসন সিংহ, কেজি ৫০ তা এল কোরৌঙানবা, কেজি ৫৫ তা ৱাই রঞ্জন, কেজি ৬০ তা টি সুরঞ্জয় সিংহ অমদি এম রোহিৎ মৈতৈনি।

সেনিয়র গার্লস কেজি ৪৮ তা এল পুস্পা দেবী, কেজি ৫২ দা ঐচ ওমিতা দেবী অমদি কেজি ৬০ তা ঐচ হেনানি।

সেনিয়র বোইজ কেজি ৫০ দা এল অজিৎ, কেজি ৫৫ তা কে রাজু, কেজি ৬০ তা ভি অবোইনি পাও, কেজি ৬৫ তা কে ঐচ সোমোরজিৎ সিংহ, কেজি ৭০ তা দব্লিউ বিমল মৈতৈ, কেজি ৭৬ তা ৱাই লনচেনবা মৈতৈ, সি ঐচ মহাদেব সিংহ অমদি দব্লিউ ভিবেক মৈতৈনি।

জুনিয়র গার্লস কেজি ৪৪ দা সাওলিন চোঙথাম, সি ঐচ রোজিয়া, কেজি ৫২ তা এন জি রঞ্জিৎতা চনু, কেজি ৫৬ তা এস নিহা চনু, কেজি ৬২ দা এস লনচেনবী দেবী অমদি কেজি ৪৮ তা কে ঐচ রোসিনানি।

সব–জুনিয়র বোইজ কেজি ২৮ তা এন জি বোরিস মৈতৈ, কেজি ৩২ দা টি য়াম্বা সিংহ, কেজি ৩৬ তা ললান হাক, কেজি ৪০ তা এম চিঙ্খেঙানবা সিংহ, কেজি ৪৫ তা দব্লিউ সনাথোই মৈতৈ, কেজি ৫২ ত্া এস সুরেস সিংহ, কেজি ৫২ মথক্কীদা এল রেগাল সিংহ অমদি ই অলফ্রেদ সিংহনি।

মণিপুরগী টিম অসি দেবেন মোইরাংথেমনা কোচ কম মেনেজর, দব্লিউ প্রেমিকানা নুপীগী কোচ অমদি দব্লিউ নিরুপমাপা নুপীজগী মেনেজর ওইদুনা টিম অসি লুচিঙলি।

# এস দি এ য়ু ট্রোফিদা ৱাই দি এ এলাংখাঙপোকপী অমদি জি ফাইব হৈরোক ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে



ইম্ফাল,জুলাই ০১ (এস এন এস) ঃ সোসিয়েল দিভলর্পমেন্ট এথেলিটিক য়ুনিয়ন ( এস দি এ য়ু) তেকচমনা শীন্দুনা তেকচম হায়স্কুলগী প্লে গ্রাউন্দা টিম ২২ না গ্রুপ– ৭না শরুক য়াদুনা মমাঙ থাগী ১৭দগী চত্থরকপা অনীশুবা সোসিয়েল দিভলর্পমেন্ট এথেলিটিক য়ুনিয়ন ( এস দি এ য়ু ) ট্রোফি সভেন এসাইদ ষ্টেট লেভেল ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ গী ঙসি শান্নখিবা প্রি– ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিংদা ৱাই দি এ এলাংখাঙপোকপী অমদি জি ফাইব হৈরোক মায় পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা প্রি– ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ ওইনা দি ৱাই এ এলাংখাঙপোকপী অমদি ককচিং এফ সিনা শান্নখিবা মেটচতা দি ৱাই এ এলাংখাঙপোকপীনা ককচিং এফ সিবু গোল ৩–০ দা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

মায় পাক্লবা দি ৱাই এ এলাংখাঙপোকপীগী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফত্া গোল ২ অমদি অনীশুবা হাল্ফতা গোল ১ চন্দুনা পূন্না গোল ৩ অদু চনখিবনি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা দি ৱাই এ এলাংখাঙপোকপীনা অঙনবা মিনটশিংদগী ককচিং এফ সিবু লাকশিন্দুনা দিফেন্সত্খক মথৌ থৌহনখি।

মেটচ অসিগী অহানবা গোল অদু জর্সি নম্বর ১৯ ৱাই অবোচনা চনখি। অনীশুবা গোল অদুনা জর্সি নম্বর ২৩ দব্লিউ অরুনকুমারনা মিনট ২১ দা চনখি। টিম অসিগী অনীশুবা হাল্ফততা চনখিবা অতোপপ্পা গোল অদু জর্সি নম্বর ১৩ বিক্রমনা মিনট ৩৮ চৎপদা চনখি।

ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দা শান্নখিবা অতোপ্পা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা জি ফাইব হৈরোকনা এস এল ৱাই ও তেকচমবু য়াম লাকচন্না গোল ৫–১ দা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

মায় পাক্লবা জি ফাইব হৈরোককী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা গোল ৩ অমদি অনীশুবা হাল্ফতা গোল ২ চনখি।

অহানবা হাল্ফতা চনখিবা গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১১ সিতলনা মিনট ১০, জর্সি নম্বর ৯ কৃষ্ণনন্দনা মিনট ১৯ অমদি জর্সি নম্বর ৫ রোসননা মিনট ২৪ চৎপদা চনখি।

অনীশুবা হাল্ফতা চনখিবা গোলশিং অদুনা রোসননা মিনট ৩১ অমদি জর্সি নম্বর ১০ অরুননা মিনট ৪০ চৎপদা চনখি। মায়থিরবা এস এল ৱাই ওগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা জর্সি নম্বর ৮ রোমেসনা মিনট ৪৩ দা চনখি।

হয়েং ৱাংজিং এফ সি অমদি এস দি ইন্ট্রাপাইজেসনা অহানবা মেটচ অদুগা শাপম এফ সি অমদি আর পি য়ুনা অনীশুবা মেটচ শান্নগনি।

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*